# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — The Messenger of the Masses




আই এল পি সিষ্টেম চংনহল্লবা দিমান্দ তৌরদুনা মোরে সহরদা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপকী নুপীশিংনা শরুক য়াদুনা নুমিদাংদা চংখিবা মৈরা খোঙচংকী শক্তম



স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টর অমসুং স্কাই আই কিয়র ফাউন্দেসননচিংবা কয়ানা পুনশিন্দুনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা হার্ট এন্দ আই কেম্পগী শক্তম



চেন পুনশিন্দুনা চারা হেনবগী খোঙজঙ চঙশিনখিবা থাদোকউ, মখোয়গী দিমান্দ ফংহন্দুনা হায়দুনা নুপীশিংনা ইফালগী মফম অমদা ৱাকৎ মীফম ফম্না



ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহল্লু, মহৈরোয়শিংগী পুলিসনা তাথি-তাওইনা তৌবা খোল্লাউশিং লাউদুনা পল্লেলদা মীয়ামা চংখিবা মৈরা খোঙচং


৩৮শুবা চহী, ১৩৮শুবা মশিং | নিংথৌকাবা, থৱানগী নীনী পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Monday, July 28, 2014, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা- ৩০.৪ দিগ্রী সেলসিয়স
খ্বাইদগী ঈংবা-২৩.৮ দিগ্রী সেলসিয়স
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিল-
অয়ূক-চাদা ৭২
নুংথিল -চাদা ৭১
নোংজুগী চাং-০.০ এম এম
নুমিৎ থোকপা -অয়ুক পুং ৪.৪৩
নুমিৎ তাবা-নুংথিল পুং ৬.০২

# অথিংবা থুগাইদুনা মফম কয়াদা মৈরাগী খোঙচৎ চংখ্রে

## গভর্ণমেন্টকী লোয়শংশিং মৈ থাহনখিদনবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎনবা লৈঙাক্লা পুলিসতা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহল্লু, মহৈরোয়শিং শা-ষণগুম্লা ফুবা য়ানিংদে হায়বা খোল্লাউ কয়ামরুম লাউরদুনা ঙসি নুমিদাং মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা মৈরা পায়দুনা ৱাকৎ-খোঙচৎ চংখ্রে।

জোইন্ট কমিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম, ৱিমন ৱিংগী লমজিং মখাদা চংখিবা মৈরাগী খোঙচৎ মনুংদা ককৱা নামৈরাকপম লৈকায় মপাদা পুলিসকা মৈরা পায়বীশিংগী মরক্তা চাউনা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখি। মশীং য়াম্লবা মৈরাগী খোঙচৎ অদু তানখায়নবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখি। অদুম ওইনমক অতৈ মফমশিংদা চৎপা ৱাকৎ খোঙচৎশিংদি পুলিসনা তাথি-তাওইনা তৌখিবগী পাউ লৈতে।

মৈরাগী খোঙচৎ অসি ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা মোরে টাউনদসু চৎখি। নুমিদাংগী পুং ৭ রোম তাবদা মৈতৈ কাউন্সীল, মোরেগী ওফিস মমাঙদগী খা নোংপোক অপুনবা নুপী লূপ, নুপী খুন্নাই চাউখৎ লমজিং লূপ, মোরেনা শীন্দুনা মৈরাগী খোঙচৎ অদু চৎপা হৌখি। খোঙচৎ অদুদা মুস্লিম ৱিমন দিবেলপমেন্ট এসোসিএসন, মোরেসু শরুক য়াখি।

মোরে টাউনগী মনুংদা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহল্লু, পার্মিট য়াওদনা মণিপুরদা মীতোপ চঙহনগনু, মীতোপ্না থুমহৎলবা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কল্লু, মীতোপ্তা লমগী মপু ওইহনগনু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়ামরুমদসু মৈরাগী খোঙচৎ চংখিবগী পাউ লেপ্তুনা লাক্লি। বামোন লৈকায় য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা ঙসি নুমিদাং য়াইরিপোক্কী অকোয়বদা মৈরাগী খোঙচৎ চংখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু মৈরাগী খোঙচৎ চংখি। খোঙচৎশিং অদুদা মহৈরোয়শিং পুলিসনা তমথিনা ফুবা য়ানিংদে, আই এল পি সিষ্টেম চংনহল্লু হায়বনচিংবা প্লে-কার্দশিং পায়নখি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মফম কয়ামরুমদা মৈরা পায়বী চা কয়া থোক্লরক্তুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চংনখি। দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা মীওই মঙাদগী হেন্না পুনবা য়ারোই, ৱাকৎ খোঙচৎ চৎপা, মী শিবা য়াবা পোৎচৈ, মৈহৌ লাংপোক থোকপা য়াবা পোৎলম পুদুনা চৎপা য়ারোই হায়বগী অথিংবা থম্লগসু মীয়াম্মা অথিংবা অদুগী মায়োক্তা মৈরাগী খোঙচৎ চংনখি।

মৈরাগী খোঙচৎ চংনখিবা মফমশিং অদুদি সেগা লম্বী থৌদা ভাবোক লৈকায়, উরিপোক, শিংজমৈ, ককৱা, নাওরেমথোং, হৈরাঙ্গোইথোং, থাংমৈবন্দ, খুরাই, টিসিৎ রোদ, কোংবা, কৈশামথোং তোপ লৈরক, বামোন কম্পু, ইরিলবুং, কৈরাও বিত্রা, মচাহল, ওক্রম চুথেক, কোংবা উচেক্কোন, বাসিখোং, ৱাঙ্খে, পোরোম্পাৎ, অয়াংপলি, তোপ, কোংপাল, পৌরাবী, কৈবী, লন্নাই, চালৌ, হৈক্রু মখোং, মোইরাংখোম, বামোন লৈকায়, হাওবম মরক, ক্বাকৈথেলনচিংবদনি।

মৈরাগী খোঙচৎ মনুংদা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা মণিপুর পুলিসকী পর্সনেল কয়ামরুম্না মরুওইবা মফমশিংদা চেকশিন্না ঙাক শেনখি। মতম শাংনা উরুদ্রবা বেরেকশিং পুথোক্তুনা কৈশাম্পাৎ, মহারানি থোং, মোইরাংখোমনচিংবা মফমশিংদা খারগা থমখি। হায় সিক্যুরিটি জোনদা মৈরাগী খোঙচৎ লাকহন্দনবগীদমক পুলিসনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎলিবা মীওইশিং থৈদোক-থৈজিন তৌরগা চংহনখি। মচী-মচীদা পুলিসনা মীয়াম পুলহন্দনবা হোৎনখি।

মরক অসিদা আই এল পি সিষ্টেম চংনহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরদুনা জোইন্ট কমিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম, ষ্টুদেন্টস ৱিংনা গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙশিংদা কার্ফিয়ু লাউথোকখিবা মতুং ইন্না লোয়শঙশিং মৈ থাহনখি-দনবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎনবা লৈঙাক্লা মণিপুর পুলিসতা খঙহনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙ খুদিংমক্তা ইমপ্লোয়ীশিং টর্ন নাইনরগা অহিং য়ারেক্লবা খঙহনখিবা মতুং ইন্না ইমপ্লোয়ীশিংনা ওফিস শাংবগী থবক হৌখ্রে হায়রি।

নুংথিলগী মতমদা তম্পাক্কী মরুওইবা মফম কয়াদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম ফম্লখি। ৱাকৎ মীফম ফমখিবশিংগী মনুংদা খুরাই পুথিবা লৈকায়দা লৈবা সোসল রিফোর্ম ক্লবকী মমাঙ, সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়, সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তেম্পরেরি মার্কেট, উরুপ অরাতি য়াওরি।

ৱাকৎ মীফম ফম্বা লোইরমদাইদা মশীং য়াম্লবা নুপীশিংনা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মিতম মৈ থাদুনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহল্লু হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।



### পোলিটিকল পার্টিশিংগী মীফম ফম্নবা ৱারেপল্লখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহল্লু হায়বা মীয়ামগী খোঙজং কনশিল্লকপদগী মীয়ামগী ঈহুল য়েংলগা লৈঙাক্লা করি তৌবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা চ্যের লৌদুনা কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরশিংগী মীফম ফমখ্রে।

মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি পি সী লোমকুঙা, দি জি পি সাহিদ অহমদ-নচিংবসু শরুক য়াখি। মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা কা হেনবা থবকশিং তৌদনবা লৈঙাক্লা দি জি পিদা খঙহনখি হায়রি।

ষ্টেট কেবীনেট , হাউসনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না আই এল পি সিষ্টেম চংনহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবা তুংদা সিষ্টেম অসি চংনহন্নবগী মতাংদা মখা তানা করি তৌবা য়াবগে হায়বা নৈনবগীদমক কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরগী মীফম্না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকল পার্টি পুম্নগী মীফম কৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে। অদুমকপু করম্বা মতমদা মীফম ফমগদগে হায়বদুমদি চপ চানা পন্নখিদে হায়রি।

### মফম অহুমদা হেন্দ গ্রেনেদ ৩ লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা য়ুমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অহুম থমজিল্লম্লে হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবা মতমদা প্লান্নিং দিবেলপমেন্ট ওথোরিটিগী একাউন্ত ওফিসর ওইবা সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মনুং, মাইস্নাম নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা সলাম জুগোলকিশ্বর (৪৯)গী য়ুমদা চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লম্লে। বোম অদু অয়ুক্কী পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল পুলিসকী কাঙবু অমা লাক্লগা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌথোকখ্রে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমশাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সিংদা কদাংবন গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান নুংলেপম বোবী (৪৮)গী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লম্লে। হেন্দ গ্রেনেদ অদু য়ুমগী মীওইশিংনা শুমাংদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনবদগী লমশাং পুলিস ষ্টেসন্দা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা পাউ পীরবা তুংদা পুলিসকী টিম অমনা বোম অদু লৌখৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ১০.১৫ রোম তাবদা উরিপোক পোলেম লৈকায়দা লৈবা মণিপুর পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিদেটকী এদিস্নেল চীফ ইঞ্জিনিয়র নহাকপম শরতকুমার (৫০)গী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা লংশিল্লম্বা ওইরমগনি হায়না চিংনবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা ফংলে। হেন্দ গ্রেনেদ অদু শরতকুমারগী য়ুমগী গেট ময়াদা তাদুনা লৈরম্বদগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা থেংনরক্তুনা পুলিসতা পাউ পীরবা তুংদা পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

### শীজ হোস্পিটাল

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ ঃ এক্সিদেন্টকী থৌদোক্তা শোকপনি হায়না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা মীওই খরনা শীজ হোস্পিটালদা পুখৎলম্বা কোক্তা শোকপা মীওই অমা হোস্পিটাল অসিদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি। অশোকপা অসিগী সি টি-স্কেননচিংবা লৌরগা লায়েংলি অমসুং আই সী য়ুদা লৈরি। অশোকপা মীওই অসিগী মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। মরী লৈনবশিংনা হোস্পিটাল অসিদা লাকপীনবা হোস্পিটাল অসিগী পি আর ও, কে ঐচ সুর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

### হার্ট এন্দ আই কেম্প

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ ঃ স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টর অমসুং স্কাই আই কিয়ার ফাউন্দেসননা মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন অমসুং মণিপুর ষ্টেট ব্লাইন্দনেস কন্ট্রাল সোসাইটিগা খুৎশম্নরগা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা হার্ট এন্দ আই কেম্প ঙসি পাঙথোকখ্রে। অয়ুক্কী পুং ৮দগী নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা কেম্প অদু মিনিষ্টর একে মিরাবাই, এম এল এ লন্দ্বোনী অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### অস! লোইরেহে!

পাবুং, পৈশা পীয়ু টিয়ার গ্যাস চাগে!



নমাগা মৈরাগী খোঙচৎ য়াওরুরো, শেল তিংদ্রসু চাবা ফংলনি...!

### এম এল এ ৬০ না আই এল পি চংনহন্নবা সেন্টরদা প্রেসর পীহন্নিংই : সেনিয়র সিটিজন

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লীগী হৌখিবা মীফম অনীরক্তা এম এল এ ৬০ না অমত্তা ওইনা য়ান্নরগা ষ্টেটসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) সিষ্টেম চংনহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ অদু সেন্টরদা প্রেসর পীহন্নিংই। অদুগা হয়েং লোইশিন-গদৌরিবা এসেম্ব্লীগী মীফমদা আই এল পি চংনহন্নবগীদমক থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াবা ৱাফম খন্নহন্নিংই হায়না সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটি মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

সোসাইটি অসিনা শীল্লগা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রোফেসার এল সদানন্দনা হায়খি, আই এল পি চংনহন্নবগীদমক মহৈরোয়শিংনা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চঙশিনখিবা খোঙজংদা পুলিসনা তমথিনা ফুবীখিবা থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। পুলিসনা মহৈরোয়শিংবু খোঙনা কাওবা থিনবা তৌদুনা ফু-চৈবা থৌওং অদু অন-কলচর ওইবতা নত্তনা ইন হ্যুমেন ওই। মদু অহলশিংনা উবদা নুঙাইতবা ফাওই।

লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং মাইনোরিটি ওইহৌরদ্রা হায়বগী মীপায়বা অমা খুন্নাইসিদা লাকপা অসিদগী কলহৌনবগীদমক চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু লাকশিন্ননবা হোৎনবদা মহৈরোয়শিং অদু চৈ শীজিন্নরগা ফুবগী মহুত্তা ৱাটর কেননগুম্বা শীজিন্নরগা কন্ট্রোল তৌরম্বা য়াবনি। অসিগুম্বা তৌহৈদবা থবক অসি চত্থখিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মথক্ত ইন দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎহন্নিংই।

পাঊজী মীফম অদুদা ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট খাইদেম মনীনা হায়খি, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা শান্তি ওইবা খোঙজং চঙশিনবা হায়বসি দেমোক্রেটিক রাইটনি। আই এল পি চংনহল্লু হায়না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙজং চঙশিনখিবা মহৈরোয়শিংদা তমথিনা ফুবীখিবা থৌওং অদুদা চেন্নবশিং ফাদুনা বুক তৌগদবনি। মখোয়গী মথক্তা এফ আই আর চন্দুনা পুলিস কষ্টদি অমদি জুদিসিএল কষ্টদি লৌগদবনি।

ষ্টেট অসিদা আই এল পি চংনহনবা হায়বসি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### সাইগী কোচ ১না নুপী শান্নরোই ৫ মোলেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই), তাকয়েলপাৎকী কোচ ওক্রম চাওবনা নুপী এথলেট শান্নরোইশিংদা মোলেষ্ট তৌবীরে, ব্রা অমসুং পেন্তি-খক্তমক শেৎহল্লগা হকচাংদা অরুম্বা ওলহল্লে হায়না শান্নরোইশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

শান্নরোইশিং মোলেষ্ট তৌবগী মতাংদা তেরাদা লৈবা আইদিএল ক্লবকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা কোর্দিনেটিং কমিটি এন ঐচ-৩৭গী জেনরল সেক্রেটরি ঐচ মনোজ হায়খি, তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাইদা এথলেটকী কোচ ওইনা লৈরিবা ওক্রম চাওবনা নুপী শান্নরোই মঙাদা চৎহৈদবা লীচৎ চৎখিবগী পাউ লৈরে। শান্নরোই মঙা অসিনা অইবা ৱাকৎ অমসু সাইগী ইন-চার্জ মাইকেলগী খুথাংদা সাই নোর্থ ইষ্ট রিজনল কাউন্সীলগী দিরেক্টরদা পীশিনখ্রে। চাওবনা নুপীমচা মঙা অদুদা চত্থখিবা থৌওংশিং মরিক চুম্না পনখ্রে।

দিরেক্টরদা থাখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুদা য়াওবা ৱারম খরা পল্লদুনা ঐচ মনোজনা হায়খি, নুপীমচা মঙা অদু ব্রা অমসুং পেন্তি শেৎহল্লগা চাওবনা হকচাংগী অরুম্বা ওল্লি। মসিগীসু মথক্তা নুপী শান্নরোই অমগী থবাক পায়বা, চীনবানদা চুপকে হায়বা ফাওবা তৌখি।

শান্নরোইশিং অদুনা সেন্টর ইন-চার্জগী খুথাংদা দিরেক্টরদা পীশিনখিবা চেরোলশিং অদুগী কোপি অমমমসু পাউমীশিংদা ফংহনখি। ৱাকৎ চেরোল অদুদা নুপী শান্নরোই অমা অয়ুক্তা শান্নবা থোকপদা জিম ছো লোন্দুনা লৈরমখি। মান্নবী অমগা লোয়ননা জিমগী কা অদুগী মনাক্তা লৈরিঙৈদা কোচ অসিনা চঙশিল্লক্লগা থবাক কয়াম চাওবগে হায়না হায়রকপগা লোয়ননা কোনগে তৌরকখি। মদুদা মহাক্লা কোচ অদুগী মখুৎ ইন্থোক্লগা চেল্লকখি হায়না পল্লি।

নুপী শান্নরোই মঙামক্লা মখোয়-মখোয়দা কোচ চাওবনা চত্থখিবা থবক থৌরমশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং মশা-মশানা ইজবগী মথক্তা সোই তৌরগা দিরেক্টরদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুদা অথোইবা চেহোপ ওইনা হাপখি।

পাউমীশিংগা উনবদুদা কোর্দিনেটিং কমিটি এন ঐচ-৩৭গী জেনরল সেক্রেটরি ঐচ মনোজ মখা তানা হায়খি, চৎহৈদবা লীচৎ চৎপা, তৌহৈদবা থবক তৌবা ওক্রম চাওবা থবক্তগী পুল্লো লৌথোক্লিফাওবা ক্লব অসিনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা সাই তাকয়েলপাৎকী ইন-চার্জ ওইরিবা মাইকেলগা কোর্দিনেটিং কমিটি এন ঐচ-৩৭কী মীহুৎশিংগা উননবা চৎলুবা মতমদা ইস্যু অসিদা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন য়াওহন্নিংদে হায়না ফোঙদোরকখি। ওর্গনাইজেসন অসিনা সাইগী ৱার্দেনসু উনরকখি। ৱার্দেন অসিনা থৌদোক অদু য়াশিন্নবা পুরকখ্রে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

কোচ ওক্রম চাওবা ট্রান্সফার তৌবনা য়ারোই, থবক্তগী টার্মিনেট তৌগদবনি। ট্রান্সফার তৌবা ওইরগদি অতোপ্পা সাই সেন্টর অমদসু অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থবকসি চত্থরকপা য়াই। মসিগীসু মথক্তা ৱাকৎলিবা নুপী শান্নরোই মঙা অসিনা অতোপ্পা মফমদা শান্নবা চৎপদা থেংনবসু য়াই। মরম অদুনা চাওবা থবক্তগী টার্মিনেট তৌগদবনি হায়রি। অদুম ওইনমক শান্নরোইশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিগা ৱারী শাননবা হোৎনবদা সাইগী কোচ ওক্রম চাওবা কন্টেক্ট ফংবা ঙমখিদে।

### উটলাগী কম্মান্দর ইন চীফ ফারে



ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ য়ুনাইটেদ ট্রাইবল লিবরেসন আর্মী (উটলা)গী কমান্দর ইন-চীফ সৈপু, থা অসিগী ২৫দা মহাক্কী বোদিগার্দকা লোয়ননা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী চেংকোংপাং ভীলেজদগী রেদ সিল্ড দিভিজনগী ট্রুপ অমনা ফারে।

পি আই বি দিফেন্স ৱিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চেং-কোংপাং এরিয়াদা উটলাগী মরুওইবা লূচিংবা অমা লৈরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী জুলাই ২৫গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৭.৩০ রোম তাবদা ওপরেসন চত্থখি। য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী নুপী অনী য়াওবা পুলিসকী টিম অমা শরুক য়াখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, কমান্দর ইন-চীফ অমসুং মহাক্কী বোদিগার্দনা চঙজফম লৌদুনা লৈরম্বা য়ুম অদুদগী ৫.৫ এম এমগী রাইফল অমা, ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### দিল্লিদা চত্তবা য়াদবনা মরম ওইরগা প্রিভিলেজ কমিটিনা কৌবদা চংখিদবনি : ঐচ আর এ

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্পেক্ট টি ভীগী *মনুং হুৎনা* হায়না মিংথোনবা পাউ নৈনবগী থৌরমদা হাউসকী মেম্বরশিংগী ঈজৎ শোকই হায়না হাউসকী প্রিভিলেজ কমিটিনা কৌরকপদা লূপ অসিগী ইগজিক্যুটিব দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবম চংখিদবদু তঙাইফদনা মাঙজৌননা লেপথোক-খিবা প্রোগ্রাম অমগী মখাদা দিল্লিদা চত্তবা য়াদবননি হায়না হ্যুমন রাইট এলার্ট (ঐচ আর এ)গী ইগজিক্যুটিব বসন্তকুমার ৱারেপ্পনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, বব্লু লোইতোংবম ঙরাং জুলাই ২৬তা প্রিভিলেজ কমিটিগী মমাঙদা লাক্লবা চেরোল অমা থারকখি। চেরোল অদু জুলাই ২৫দা ফংখি। জুলাই ২৬তা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা ৱার্কিং গ্রুপ ওন হ্যুমন রাইটস ইন ইন্দিয়া এন্দ য়ু এন (দব্লিয়ু জি ঐচ আর)গী মীফম য়াওরুনবা দিল্লি য়ৌনবগী লম্বীদা হান্ননা লৈখিবনা মরম ওইরগা প্রিভিলেজ কমিটিগী মাঙদা লেপ্পা ঙমখিদে। খোঙচৎ অসি জুলাই ২৭তা চংনবগীদমক ফ্লাইট টিকেটসু মাঙজৌননা কক্তুনা লৈখ্রে।

মশামক প্রিভিলেজ কমিটিগী মাঙদা লাকপা ঙমখিদবগী মতাংদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী সেক্রে-টরিদা চপ চাবা মরম পীবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। চেরোল অদুদা হ্যুমন রাইটস এলার্টকী ইগজিক্যুটিব দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবম কমিটি অসিগী মাঙদা লাক্লবা অতোপ্পা নুমিৎ অমা লেপ্পীনবা হায়জখিবসু লৈখ্রে।

মরক অসিদা পাউচে খরদা প্রিভিলেজ কমিটিগী মাঙদা বব্লু লোইতোংবম লাকখিদ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লরকপসি মেম্বরশিংবু থৌওইদবা তাহল্লে। তশেংনমক্তি মহাক প্রিভিলেজ কমিটিগী মেম্বরশিং মায়োক্লবা কিবদগী চেনবা নত্তে হায়রি।

লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসিগী লাইশঙনি হায়নরিবা লেজিসলেটিব এসেমব্লিবু বব্লু লোইতোংবমনা থওই-উৎশিংতবা মওং উৎলি হায়দুনা প্রিভিলেজ মোসন থাঙ্গৎলকখিবনি।

### ইন্টিগ্রিটি প্রোটেক্সন দেগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ কুমজা ২০০১ গী জুলাই ১৪ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীনা বেঙ্কোক্তা ইনখিবা য়ান্ন-চেরোলদা ঙমখৈগী অরেপ্পা লৈতবা হায়বা ৱাহৈ অদুবু লৌথোকখিবা নুমীৎ অদুবু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ইন্টিগ্রিটি প্রোটেক্সন দেগী থৌরম ঙসি জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অকোম লূপ, কংলৈপাক্লা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সোমো-রেন্দ্রো, লূপ অসিগী এদভাইজর ঐচ কুল্লা, কংলা পাউগী চীফ এদিটর পি ইবোচৌবা, সিকোগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কোলোমচা অচৌবী খুমন, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিকলৈমা, কংলৈ ইমা লূপকী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবী অমসুং ওল মণিপুর বার এসোসিএ-সনগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট এদভোকেট মাইবম নিলচন্দ্রনা প্রসিদিয়ম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংবগী মতাংদা মীয়ামগী মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা লিংনবগীদমক লুপা ক্রোর ১০০ ইয়ারমার্ক তৌদুনা থমখ্রবগী মতুংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর প্রদেশনা শীল্লগা য়ুনিভর্সিটি অসি লিংবগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা মীওই ৩০ হেনবনা মাগী মাগী অপাম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি। মীফম অদু ভারতিয়া জনতা পার্টি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম চাউবা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট হাওবম বোরবাবু অমদি আর কে রনবিরনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা ফমখি।





মীফম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি লিংনবগীদমক মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম অমদা খুদোংচাবা য়েংলগা লেপহন্নিংই। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লম একর ১৫০০ মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি। অদুমকপু য়ুনিভর্সিটি অসি হৌগৎহন্ন-বগীদমক অহানবদা য়ামদ্রবদা লম একর ৫০০ মথৌ তাগনি। য়ুনিভর্সিটি অসিনা মপুং ফানা মথৌ তৌরক্লবা মতুংদা য়ু জি সিদা এফিলিয়েট তৌদুনা ওটোনোমস সেন্ট্রেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ওইবা য়াগনি। মসিগীসু মথক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিনা স্পোর্টসকী লমদা তোঙান তোঙানবা লমদা ট্রেনিং, এদ্যুকেসন অমদি রিসার্স তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনবতা নত্তনা মালেমগী থাক্তা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিং দিগ্রী পীবদা মতেং ওইগনি হায়বা ৱাফমশিং থমখি। বি জে পিগী মায়কৈদগী প্রোজেক্ট অসিগী প্রপোজ ফ্রেম ৱার্ক অমসু মীয়ামদা থমদুনা খঙহনখি।

মীফম অদুদা ৱাঙাঙলোই ওইখিবা মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লখিবদা, য়ুনিভর্সিটি অসিগী এক্ট শেল্লমদাইদা লমদম অসিগী মীওইশিং য়াওহনবা, য়ুনিভর্সিটি অসিগী মমিং থোনবদা ষ্টেট অসিগী মমিং লৈরবা স্পোর্টস পার্সনগী মমিং লৌহন্নিংই অমদি লিংগদৌরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিনা ৱর্ল্দ ক্লাসতা চাংদম্নবা ঙমগদবা থাক্তা খুদোংচাবা পীহন্নিংই হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

### মথংগী এসেগী টোপিক

**৫৫শুবা এসেগী টোপিক :** *মহৈরোয়শিংগী খোঙজং থিংনবা পুলিসকী এক্সন*

**খঙজিনবীগদবা :** ১) তরু তনান্না ইরগা নৎত্রগা কম্প্যুটর প্রিন্ট তৌরগা থারক্কদবনি, পাবা থোক্তবশিংগীদি খন্নরোই।

২) ক্লাস টেনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী থাক্তা মহৈরোয়শিংতগী কম্পিটিসননি।

৩) ৱাহৈ ৫০০দগী হেল্লোইদবনি, ইরাই নুমীৎ খূদিংগী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবদা, ওফিস মতমদা এসে য়ৌহনবীরক্কদবনি।

৪) এসেগী টোপিক থাঙজ নুমীৎকী চেফোঙদা লাউথোক্কনি।

৫) থারকপা এসেগী কোপি অমুক হন্দোকচরোই।

৬) মরী লৈনবশিংনা লেপ্পকপা ৱারেপ্পা অরোইবা ওইগনি।

৭) থাঙজ নুমীৎকী ওফিস মতমদা ফ্রন্ট ওফিসতগী শেলগী মনা লৌরবা য়াগনি। মনা লৌবা লাকপদা স্কুলনা পীবা আই-কার্দ লোয়নবীরক্কদবনি।

৮) এসে থাবীরকপদা মহৈরোয়গী মমিং-মথা, লৈফম, স্কুল মমিং, ক্লাস, কন্টেক্ট নম্বর, পাসপোর্ট ফোটো ১ হাপ্পীরক্কদবনি।

*হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*